# ত্রিপুরাগী রুলিংদা লৈরিবা আই পি এফ টি তিপ্রা মোথাগা পুন্না থবক তৌমিন্নরবা য়ানা লৈরে

অগরটালা, জানুৱারী ১৮ (এজেন্সি): মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা হৌজিক হৌজিক রুলিংদা লৈরিবা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি) না তিপ্রা মেথাগা পুন্না থবক তৌমিন্নরবা য়ানা লৈরে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৩ দা তিপ্রা মোথানা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা আই পি এফ টিদা অঙীবা চেরোল থাদুনা হায়জখিবনি। চেরোল অদুদা তিপ্রা মোথাগী চীফ প্রদ্যোট কিশোর মনিকয়ানা আই পি এফ টি অমসুং তিপ্রা মোথাগী পান্দম অমত্তা ওইবা মরম্না পুন্না থবক তৌমিন্ননবা অমদি গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী দিমান্দ মপুঙ






ফাহন্নবা হায়জখিবনি।

অমরোমদা আই পি এফ টিগী প্রসিদেন্ট প্রেম কুমার রেংনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, তিপ্রা মোথানা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু পার্টি লীদরশিংগা য়াম্না মুন্না খন্নরে অমদি ৱাখল্লোন মান্নবা তিপ্রা মোথাগা পুন্না চৎমিন্নবদা পার্টিগী সিনিয়র লীদরশিংনা অয়াবা পীরক্লে। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা আই পি এফ টিনা তিপ্রা মোথাগা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা ফিরেপ লৌরে। তিপ্রা মোথানা পুন্না থবক তৌমিন্ননবগীদমক আই পি এফ টিদা হায়রকখিবা অদু পার্টি অসিনা তরাম্না ওকই অমদি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। আই পি এফ টিগী পান দমসু তিপ্রাসাশিংগী রাইট মপুঙ ফানা ফংহনবা অমদি গ্রেটর তিপ্রালেন্দ ষ্টেট শেম্বনি। ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টি অনী অসিনা পুন্না থবক তৌমিন্নরবদি ষ্টেট অদি লৈরিবা ত্রিপুরিশিং অমদি তিপ্রাসাশিং শোয়দনা য়োকখৎপা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হিরম অসিগী মতাংদা তিপ্রা মোথাগী চীফ প্রদ্যোটকা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শাবা পাম্মী। মরম অদুনা তিপ্রা মোথাগী মায়কৈদগী ৱারী শানবা মতম অমা অথুবা মতমদা পীরক্লবদি য়াম্না নুংঙাইবা ওইগনি। গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী দিমান্দ মপুঙ ফাহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।




ককচিং ৱাইরিদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস থৌবাল/ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী অহানবা কনভেন্সনদা শরুক য়াখিবা শিন্নীশিং

# নাগালেন্দ এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা মখা তানা এন দি পি পিগা থবক তৌমিন্নগনি



কোহিমা, জানুৱারী ১৮ (এজেন্সি): নেসনেলিষ্ট দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টি (এন দি পি পি) অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা হান্নগুম পুন্না চৎমিন্নরগনি অমদি সীট য়েন্থোক্লবগী থবক ঙসি অমসুং হয়েংগী মনুংদা লোয়শিল্লগনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মমাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা বি জে পি অমসুং এন দি পি পি অনী পুন্না চৎমিন্নখি। মদুদা এন দি পি পিনা সীট ৪০ দা মীখল লম্বা তৌনরগা বি জে পিনা সীট ২০ দা মীখল লম্বা তৌনখিবনি। সীট ২০ দা মীখল লম্বা তৌনখিবা অদুদা বি জে পিনা সীট ১২ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদসু বি জে পিনা হান্নদগী হেন্না মশিং য়াম্না মায় পাকপা ঙমগনি হায়না নাগালেন্দ বি জে পিগী ইনচার্জ নালিন কোহলিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নালিন কোহলিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এন দি পি পিগা পি জে পিগা চৎমিন্নগনি হায়বসিদা চিংননিঙাই অমত্তা লৈতে। সেন্ত্রেল লীদরশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা অয়াবা পীরকখ্রে। সীট য়েন্থোক্লবগী থবকসু অথুবা মতমদা লোয়শিল্লগনি অমদি হান্না ৪০:২০ দা লৈখিবা অদু হন্দক্কী ওইনা কয়াদা লাক্কদগে হায়বদু মীয়ামদা অথুবা মতমদা খঙহল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা নেদাগী কনভিনর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখিবদা, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক মপুঙ ফানা লৈবা ঙম্লগনি হায়বসি মমাংদা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অমদি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লগনি হায়রি।

# য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক পার্টিদা য়াওনবগীদমক এম এল এ মঙা রিজাইন তৌখ্রে

শিল্লোং, জানুৱারী ১৮ (এজেন্সি): মেঘালয়া এসেমব্লি মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা মেঘালয়া লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর মঙা য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক পার্টি (য়ু দি পি) দা য়াওনবগীদমক রেজিগনেসন টেন্দরশিং পীশিনখ্রে হায়রি।

এম এল এ মঙা অসিনা লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী তোক্লবা চেরোল অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পীশিনখিবনি। য়ু দি পিদা য়াওনবা থৌরাং তৌরিবশিং অদুদি পি টি সোকমী (সস্পেন্দেদ কোংগ্রেস লীদর), রেনিকতোন এল তোংখার (হিল ষ্টেট পিপলস পার্টি), সস্পেন্দেদ কোংগ্রেস এম এল এ মায়রালবোর্ন সিয়েম, শিতলাং পালে (ত্রিনামুল কোংগ্রেস) অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট লম্বোর মালঙিয়াংনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা রুলিং পার্টি ওইরিবা এন পি পিগী মপাঙ্গল হান্নদগী শোন্থরক্লে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এন পি পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শোয়দনা মায়থিবা নংলগনি। ত্রিনামুল কোংগ্রেসতা মমিং লৈরবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা কয়া মীখলগী মাঙলইননা য়াওরকপগী চাং হেনগৎলক্লি হায়রি। অমরোমদা এন পি পিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না সীট ৬০ লৈবা লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল অসিদা এন পি পিনা হান্নদগী সীট মশিং হেন্না মায় পাক্কনি হায়রি।

# অসামদা লুপা ক্রোর ৪০ গী ওইগদবা য়াবা টেব্লেটশিং ফারে

গুৱাহাটি, জানুৱারী ১৮ (এজেন্সি): অসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদগী ঙরাং পুলিসনা লুপা ক্রোর ৪০ রোমগী ওইগদবা য়াল্লবা য়াবা টেব্লেটশিং ফাবা ঙম্লে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না য়াল্লবা য়াবা টেব্লেটশিং অদু কার অমদা হাপ্তুনা পুরকখিবনি। বগরগুল এ দি কেম্পকী পেট্রোলিং পার্টি অমসুং মাইজ বগরগুল ভি দি পিগী অপুনবা টিম অমনা গাড়ি অদু খামদুনা চেক তৌরুবা মতমদা পেকেট ৭৬ তা য়াল্লবা টেব্লেটশিং অদু পুরক্লমখিবনি। কার অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অদুনা গাড়ি অদু থাদোক্লবা পুলিস টিম অদুদা লুপা লাক্ষ ২০ গী ওফর তৌখি। অদুবু পুলিসনা ওফর অদু লৌবগী মহুত্তা মীওই অদুগা কোন্ননা দ্রগশিং অদু ফাখিবনি। অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরনা পুলিস টিম অদুগী পুকচেল শেংবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মনা পীরগনি হায়রি।

# পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা ঈ সীদা তকশিনখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ১৮ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলগী মতম মথং থাগী ১৬ তা পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখল অসি য়ৈখায় থিনগায়বা য়াওহন্দনা অমদি অচুম্বা মওংদা পাঙথোকহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনদা তকশিনখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী মতম মথং থাগী ১৬ তা পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু বি জে পিনা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীখল অসি মায় পাক্না থেংননবগীদমক বি জে পিনা শেম শাবা লোইরে হায়না ত্রিপুরা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট রজিব ভট্টচর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং অওনবা কয়া পুরকপা ঙমখ্রে। কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা চহী ২ অৱাবা মায়োক্লখ্রবসু চাওখৎপগী লম্বীদা চঙশিল্লকপা ঙল্লিবা অসি পার্টি অসিনা মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌবননি

# নাগালেন্দদা মখল অমত্তগী কন্সটিট্যুসনেল ক্রাইসিস থোকহন্দনবা গভর্নমেন্টনা হোৎনগনি

দিমাপুর, জানুৱারী ১৮ (এজেন্সি): নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা নাগা মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি মরম চাই অদুবু দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা কন্সটিট্যুসনেল ক্রাইসিস থোকহল্লকপা য়ারোই অমদি গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা মতম পুম্বদা হোৎনরি হায়না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নৈফ্যু রিওনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্লবা শেম শারি। মসিদা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগা মরী লৈনহনবা হায়বসি অচুম্বা ওইরোই। ৱারী শান্নরিবা পার্টিশিংদা ওইনা নাগা মীয়াম্না দিমান্দ তৌগদবনি। ইলেক্সন হায়বসিদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। মরম অদুনা ইলেক্সনদা অয়েৎ অপন থোকহল্লোইদবনি হায়রি।

নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপ অমসুং এন এস সী এন-আই



এম অনীনা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা য়াশিন্নবা পুরকখিবা অদুবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক্লা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংশিনফম থোকই হায়রি।

অমরোমদা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অকনবা মওংদা দিমান্দ তৌরক্লিঙৈ মরক অসিদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসননা ইলেক্সন মমাংদা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ পীদ্রবদি ইলেক্সন বোইকোট তৌগনি হায়বা ৱাফমদা হৌজিকসু লেপ্তুনা লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০১০ দগী হৌরগা ঈ এন পি ওনা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা মীখল বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী হন্দাক্লবা অপিল তৌরক্লি।

## CROSSWORD-3763



**ACROSS**

7. Puppets on strings(11)
8. Impart knowledge(6)
9. Petition to a deity(6)
10. Deteriorate(6)
12. Cunning(6)
13. Atmosphere(3)
14. Robbery at sea(6)
16. Overindulgence(6)
18. Yearly(6)
20. Innate(6)
22. Star-gazers(11)

**DOWN**

1. Portent(4)
2. Archer's missiles(6)
3. Scottish New Year celebration (8)
4. Profound(4)
5. Capital of Canada(6)
6. Fire-resistant mineral(8)
11. Eastern(8)
12. One to whom money is owed (8)
15. Grown-ups(6)
17. It's built by a spider(6)
19. King of beasts(4)
21. Hazard(4)

**Solution 3762**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | I | O | T | | S | H | A | M | R | O | C | K |
| E | | U | | F | | I | | U | | T | | I |
| S | U | G | A | R | E | D | | F | I | T | I | N |
| P | | H | | A | | D | | T | | O | | G |
| O | F | T | E | N | | E | N | I | G | M | A | |
| N | | | | C | | N | | | | A | | A |
| S | T | A | Y | E | D | | P | R | U | N | E | S |
| E | | B | | | | A | | A | | | | C |
| | S | Y | M | B | O | L | | B | L | A | Z | E |
| C | | S | | U | | C | | B | | L | | N |
| H | U | M | I | D | | O | M | I | T | T | E | D |
| U | | A | | G | | V | | T | | E | | E |
| M | A | L | D | E | M | E | R | | P | R | O | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5061**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 8 | | 7 | | 4 | 9 |
| 7 | | | 4 | | | 3 | | 1 |
| | | | | | | 2 | | |
| 2 | | | 5 | | | 6 | | 3 |
| | | 5 | | | | 1 | | |
| 3 | | 1 | | | 2 | | | 7 |
| | | 6 | | | | | | |
| 1 | | 4 | | | 3 | | | 5 |
| 8 | 2 | | 6 | | 5 | | 3 | |

**Solution-5060**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 9 | 8 | 7 | 1 | 6 | 4 | 2 |
| 2 | 4 | 1 | 5 | 3 | 6 | 8 | 7 | 9 |
| 7 | 6 | 8 | 2 | 4 | 9 | 3 | 5 | 1 |
| 3 | 1 | 7 | 9 | 2 | 4 | 5 | 6 | 8 |
| 6 | 8 | 2 | 3 | 5 | 7 | 9 | 1 | 4 |
| 4 | 9 | 5 | 6 | 1 | 8 | 7 | 2 | 3 |
| 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 | 6 |
| 9 | 7 | 3 | 1 | 6 | 2 | 4 | 8 | 5 |
| 1 | 5 | 6 | 4 | 8 | 3 | 2 | 9 | 7 |

## ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### SAI RECRUITMENT 2023 FOR 4 JUNIOR CONSULTANT, YOUNG PROFESSIONAL

Sports Authority of India Junior Consultant, Young Professional Recruitment 2023: Advertisement for the post of Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India . Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21 January 2023. Candidates can check the latest Sports Authority of India Recruitment 2023 Junior Consultant, Young Professional Vacancy 2023 details and apply online at the sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment 2023 page.
Sports Authority of India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sportsauthorityofindia.nic.in/. Sports Authority of India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Sports Authority of India (SAI)
invites applications for recruitment of Junior Consultant, Young Professional
Junior Consultant, Young Professional
Experience 1 - 5 years
Educational Qualification: B.A
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 50000 - 80250(Per Month)
Age Limit: Maximum 45 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for Sports Authority of India Recruitment 2023 must complete the application process before 21/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023 along with the application link.
Step 1: Go to the Sports Authority of India official website sportsauthorityofindia.nic.in
Step 2: In the official site, look out for Sports Authority of India Recruitment 2023 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Junior Consultant, Young Professional, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 14 January 2023
Last date for application is: 21 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR 44 COMPUTER OPERATOR, MORE VACANCIES

Assam Agricultural University Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 11 February 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator,
Company Assam Agricultural University
Job Role Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 44 Posts
Job Locations Jorhat
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 18000 - 131400(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Assam Agricultural University aau.ac.in
Step 2: Search the notification for Assam Agricultural University Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 09 January 2023
Last date for application is: 11 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification










